# ‘কুমজা ২০২৪ গী লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্ট মায়থিবা নঙলগনি’

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী) : বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন অমসুং দেমোক্রেসিবু মাঙহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিদগী কন্নবগীদমক হান্না এন দি এগা চৎমিন্নরম্বা পার্টি কয়া তোকপা হৌনখ্রে হায়না রাষ্ট্রিয়া জনাতা দলগী লুচিংবসু ওইরিবা বিহারগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর তেজসৱি য়াদবনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্ট চাওনা মায়থিবা নঙলগনি হায়রি।

বিহারগী হান্নগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর দেবি লালগী মপোক কুমওন থৌরম অমদি মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা পাঙথোকখিবা আই এন এলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংলদুনা তেজসৱি য়াদবনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, সেন্তরদা লৈরিবা এন দি এ গভর্ণমেন্টকা চৎমিন্নরম্বা পার্টিশিংগী মরক্তা জনতা দল য়ুনাইটেদ, অলকালি দল অমসুং সিভ সেনা তোকখ্রে। মসি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন অমদি দেমোক্রেসি মাঙহন্নবা হোৎনরকখিবা অদুদগী কন্নবনি। বি জে পিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ওইদবা ৱাফম কয়া হায়জিন্দুনা ভোট ফংনবা হোৎনরি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা পার্টিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মিনম্বা ঙাংবা পার্টিদি বি জে পিনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বিহারদা হন্দক্তা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা লাক্লম্বা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনসু ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা ওইদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লমখি। অমিট শাহগী খোঙচৎকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা পব্লিক মিটিং অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা বিহারগী পুনিয়াদা লৈতবা এয়রপোর্ট অমবু লৈ হায়না মীয়াম মমাঙদা হায়জিল্লমখি। মসিনা মরম ওইরগা পার্টি অসি ওইদবা ঙাংবা পার্টিনি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে হায়রি।

অমরোমদা, বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেস অমসুং সী পি আই য়াওনা ওপোজিসনদা লৈবা পার্টিশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থবক তৌবগী মতম ওইরে। ওপোজিসনশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মান্নবা ৱাখল্লোনদা হৌজিক্তগী হৌনা থবক তৌরবদি লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পি শোয়দনা মায়থিবা নঙগনি হায়রি।




# নমথাক তৌবা বি জে পি মায়থিবা পীবগী মতম য়ৌরক্লে ঃ সরদ পৱার

ফতেহাবাদ, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী) : লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিবু মায়থিবা পীনবগী পান্দমদা ওপোজিসনদা লৈরিবা লিদরশিং পুনশিন্দুনা থবক তৌবা হৌরে হায়না নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) গী সুপ্রিমো সরদ পৱারনা ফোঙদোরক্লি।

হরিয়ানাগী ফতেহাবাদতা ঙসি পাঙথোকখিবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী ওইবা রেল্লি অমদা এন সী পিগী লুচিংবা সরদ পৱারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক সেন্তরদা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিগী লাইরবা মীয়াম অমদি লৌমীশিংগীদমক কান্নরবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি হায়না লাউরি। অদুম ওইনমক লৌমীশিংগী রাইট মৎপা য়াবা ফার্ম লো ৩ পুথোক্তুনা নম্ফুদা চৎনহন্নবা হোৎনরি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী মরাল লৈজদ্রবা লৌমী কয়া নুমিৎ খুদিংগী মশা মতোমতা শিজবগী থৌদোকশিং থোক্লি। লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী পুন্সি কনগে হায়রবদি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না পুথোকখিবা ফার্ম লো ৩ অদু রিপিল তৌবনা য়ারোই মথৌ তারিবদি লৈরিবা লৈঙাক অসি শীন্দোকপনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী মশিং য়াম্লবা লৌমী কয়ানা লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিগী ঙমখৈ শরুক্তা থা কয়া ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবা অদুবু সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা খঙশিন্নদবা শাদুনা লৈবগা লোয়ননা লৌমীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ ঙসি ফাওবা পীদনা লাক্লি। মসি লৌমীশিংগী রাইট খঙনা খঙনা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মাঙহনবনি। মরম অদুনা মীয়ামদা ওইদবা ঙাংবা অমদি লৌমীশিংগী য়েক্লবা ওইরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিবু মায়থিবা পীবগী মতম ওইরে হায়রি।

দেল্লিগী ঙমখৈ শরুক্তা থা কয়া লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকখিবা লৌমীশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা মীশি মীনা ফাওবা থোকখি। অদুবু সেন্তরনা থৌদোকশিং অসিবু উশিন্নদনা লৈবগা লোয়ননা ফার্ম লো ৩ অদুনা মীয়ামদা কান্নবা পীগনি হায়না হন্না হন্না ওইদবা ঙাংদুনা লাক্লি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। মরম অদুনা বি জে পি মতুং তারকপদা পাঙথোক্কদবা মীখলশিংদা চাওনা মায়থিরগনি হায়রি।



# অরিয়াদান মুহমদ লৈখিদবদা রাহুল গান্ধীনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

থ্রিসুর, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী ভেটরান লিদর অরিয়াদান মুহমদনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা হৌজিক হৌজিক কেরলাদা ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎকা মরী লৈননা লৈরিবা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

কেরলাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা মশাগী চহী ৮৭ শুরবা কোংগ্রেসকী ভেটরান লিদর অসিনা লৈখিদবদা রাহুল গান্ধীনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখা তানা হায়খিবদা অরিয়াদাননা লৈখিদবা অসি কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা চাওনা মাঙজবা অমনি। পার্টি অসিখক্কী নত্তনা মহাক মশাগী ওইনসু য়াম্না মরু ওইবা মীশক অমা মনুং মতম চাদনা মহাক্কী মফমদগী মুনবীখিবগা চপ মান্নে। লৈখিদ্রবা অরিয়াদান হৌখিবা কুমজা ১৯৫২ দগী কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওরকখিবদা লোয়ননা কেরলা প্রদেশ কম্মিটিদা মতম শাংনা লুচিংবা ওইনা থবক তৌরগা লাকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৭৭, ১৯৮০, ১৯৮৭, ১৯৯১, ১৯৯৬ অমসুং ২০০১ দা মহাক কেরলা লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিদা মায় পাক্লকখ্রবা মীওই অমনি। মহাক লৈখিদবদা কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি হায়রি।

# লালহৌবা অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

কুপৱারা, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী) : ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং জম্মু এন্দ কাস্মির পুলিসকী স্পিসল কম্বাইন্দ ফোর্সকী টিম অমনা চথখিবা অখন্নবা ওপরেসন অমদা লালহৌবা অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না জে এন্দ কে পুলিসগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না কুপৱারাগী মচিল এরিয়া নক্লা লৈবা লাইন ওফ কন্ত্রোল পরিং মনাক্তা লালহৌবা অনী অদু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। কম্বাইন্দ ফোর্সনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা লালহৌবা অনী অদুদগী নোংমৈ অমদি কাপ্পা য়ারিবা মরু কয়াসু রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। কম্বাইন্দ ফোর্সনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা লালহৌবা অনী অদু করম্বা গ্রুপকীনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

# অন্ধ্র প্রদেশ হোস্পিটাল মৈ চাকপগী থৌদোক্তা দাক্তর অমদি মচা অনী শিখ্রে

রেনিগুন্তা, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী) : তাবদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইনা অন্ধ্র প্রদেশতা থোকখিবা হোস্পিটাল মৈ চাকপগী থৌদোক্তা হোস্পিটাল অদুদা দাক্তর ওইনা লৈবা মীওই অমগা লোয়ননা মহাক্কী মচা অনী মৈনা চাক্তুনা শিখ্রে হায়না ফায়র ফাইটরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লাইবক থিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈনা ফায়র ফাইটরশিংনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা অন্ধ্র প্রদেশকী তিরুপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা রেনিগুন্তাদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপগী থৌদোক্তা চহী নৌরিবা অঙাং অনী য়াওনা দাক্তর অদু শিখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সোর্ট সর্কুইটনা মরম ওইরগা মৈহৌ লাংপোক অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। হোস্পিটাল অদুদা দা. রভি সঙ্কর রেদিগী ইমুং মনুং পুন্না লৈবনি। কার্থিকেয়া হোস্পিটাল বিল্ডিংদা মৈ চাকপা হৌরকখিবা মতম অদু মীনা তুম্নরিঙৈ মতমনি। হোস্পিটাল অদুগী অনীশুবা ফ্লোরদা দা. রেদি অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুং লৈবনি। মৈ চাক্লকপা অদুদা দা. রেদি অমদি মহাক্কী মচাশিং ষ্টায়র কেজতা কুমথনবা হোৎনরমগনি হায়না থাজনবগা লোয়ননা পাখৎপগা লোয়ননা চেম্থোরকপদা দা. রেদি শোয়বদগী লৈমায়দা তারকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী হকচাং মৈনা তুম্না চাকখিবনি হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, ফায়র ফাইটরশিংনা মৈ অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবগা লোয়ননা সেকেন্দ ফ্লোরদা লৈরিবা দা. রেদিগী মচা অনী অদু থোঙ ফক্কায়দুনা খুদক্কী ওইনা কল্লবা মতুং মনাক নক্লা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চথখি। অদুবু হু চেনবা কার্বোনমোনোক্সাইদ গ্যাস কা হেন্না হোঞ্জিনখিবনা মরম ওইরগা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমসুং নুপামচা অদু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা লাইবক ফবদগী লৈখিদ্রবা দা. রেদিগী লোয়নবী দা. অন্তলক্সমি অমদি অপোকপী মমা রামাসুবমাদি হিংহৌরে হায়রি।



# গৌৱা এসেমব্লি ইলেক্সনদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা লুপা ক্রোর ৪৭ চাদিং তৌখি ঃ ইলেক্সন বোদি

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী) : চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা গৌৱা এসেমব্লি ইলেক্সনদা ত্রিনামুল কোংগ্রেস অমসুং আম আদমি পার্টি অনীগী মরক্তা অকনবা লম্বা তৌনখি। হায়রিবা ইলেক্সন অদুদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা পুন্না লুপা ক্রোর ৪৭ চাদিং তৌখি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনননা হন্দক্তা থাদোরকখিবা দাটা অমদা হায়রি।

দাটা অসিগী মতুংইন্না এ এ পি অমসুং টি এম সী অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনখ্রবসু বি জে পিনা গৌৱাদা লৈঙাক শেমখি। চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সাৱন্টনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা পুন্না লুপা ক্রোর ১৭.৭৫ চাদিং তৌখি অদুগা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা এ এ পি পার্টিনা গৌৱাদা শুপ্পনতগী লুপা ক্রোর ৩.৫ খক্তমক ইলেক্সনদা চাদিং তৌখি। রিপোর্ট অসি ইলেক্সন কম্মিসনননা হন্দক্তা মাগী মাগী ওইবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা পীশিনখিবা রিপোর্টনি। গৌৱাদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক ইস্তুনবগীদমক চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সন অদুদা কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা পুন্না লুপা ক্রোর ১২ চাদিং তৌখি। অদুগা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা মখোয়গী মীরেপ ওইনা থাদোকখিবা কেন্দিদেট ১১ দা লুপা লাখ ২৫/২৫ পীখি। মসিগী মথক্তা ইলেক্সন কেম্প্যেনগীদমক পার্টিগী সেন্ত্রেল ফন্দদগী অহেনবা চাদিং তৌরকখিবসু লৈ হায়রি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গৌৱা এসেমব্লি ইলেক্সনদা সিভ সেনাগী ওইনা পুন্না কেন্দিদেট ১০ থাদোকখি। হায়রিবা কেন্দিদেটশিং অদুগীদমক সিভ সেনানা পুন্না লুপা লাখ ৯২ রোম চাদিং তৌখি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা সিট ৪০ লৈবা গৌৱা এসেমব্লি ইলেক্সনদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা কেন্দিদেট ২৩ থাদোকখি। অদুবু হায়রিবা কেন্দিদেট ২৩ অদুগী মনুংদা কেন্দিদেট অমফাওবা মায় পাকপা ঙমখিদে। অদুগা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকা চৎমিন্নরিবা মহারাষ্ট্ৱাদি গোমান্তক পার্টিগী ওইনা সিট ১৩ দা মখোয়গী ওইবা মীরেপ থাদোকখি। পার্টি অসিগী ওইনদি মীরেপ ১৩ থাদোকপগী মনুংদা ২ দি মায় পাকপা ঙমখি।

অমরোমদা, এ এ পিনা গৌৱাদা এবসুলুট মেজোরিটি ফংনবা টার্গেট তৌরদুনা পুন্না কেন্দিদেট ৩৯ থাদোকখি। মদুগী মনুংদা এ এ পিগী ওইনসু ২ খক্তমক মায় পাকপা ঙমখি। অদুগা সিট ৪০ লৈবা গৌৱা এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিগী ওইনা সিট ৪০ মক্তা মখোয়গী মীরেপ থাদোকখি। মদুগী মনুংদা সিট ২০ মায় পাকখি হায়রি।



# কলচর কনগে হায়রবদি থাঙ তা অমদি খোংজোম পর্বদা অহেনবা মিৎয়েং চঙফম থোকই ঃ বুধ চিংথাম




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : ঐখোয়গী লমদম অসিগী ওইনা লৈজরক্লবা নাৎ অমদি চৎনবীশিং কনগে হায়রবদি পুৱারীগা শাগেন্নরগা লাক্লবা থাঙ তা অমদি খোংজোম পর্বদা অহেনবা মিৎয়েং চঙফম থোকই হায়না কলচরেল ৱার্করস এন্দ এক্টিভিষ্ট ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট বুধ চিংথামনা ফোঙদোরক্লি।

কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলুপকী চহী ৫০ মপুং ফারকপগা লোয়ননা কাঙলুপ অসিনা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগা খুৎশম্নরগা চীফ মিনিষ্টর আর্টিষ্টশিংগী তেংবাঙ মখাদা নুমিৎ ২৩ নি চুপ্না পাঙথোক্তুনা লাকখিবা মরাম নুংশেৎপা খৌশা থৌরমগা মরী লৈননা বুধ চিংথামনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর দ্রমাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) দা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা বুধ চিংথামনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না লমদম অসিগী কলচর কন্নবগীদমক ইহান হান্না খোংজোম পর্ব অমসুং থাঙ তাদা মিৎয়েং চঙফম থোকই। হায়রিবা অনী অসি ঐখোয়গী খুন্নাইগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। থাঙ তা অমসুং খোংজোম পর্ব হায়রিবা নাৎ অমদি চৎনবী অনী অসিগী মগুন ঙসি ফাওবা মাঙদ্রি। হায়রিবা নাৎ অমদি চৎনবী অনী অসিগী খোঙ্গুল লিবদা ঐখোয়গী পুৱারীদা শাগোন্নরকপা ৱারী কয়া থোক্লক্কনি। থাঙ তাদা মিৎয়েং কা হেন্না চঙলগা থবক তৌরগদি কলচর য়োকখৎপগী অহানবা খোঙথাং মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়াই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বৃটিশশিংনা ঐখোয়গী হৈথোই শিংথোইরবশিং অদুগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙই। মখোয়না লাইরিক্কী মঙাল, লোল অমদি কলচরেল সিভিলাইজেসনগী মতাংদা মঙাল কয়া পীরম্মী। মখোয়না লমদম অসিদা য়ৌরক্লমদ্রবদি ঐখোয়না লৈরম্লিবা ফীভম অসি য়ৌরক্লমদবসু য়াই। লমদম অসিদা লৈরিবা আর্টিষ্ট অয়াম্বা নুংঙাই য়াইফবা ইমুংদগী হৌরকপা নত্তে। অদুম ওইনমক কলচরবু য়োকখৎপা পাম্বা মীওই খরনা লমদম অসিগী পুৱারীদগী লৈরক্লবা নাৎ অমদি কলচরবু য়োকখৎনবা হোৎনরি। মরমদি কলচর লৈজদবা ফুরুপতি অশিবা ফুরুপকা চপ মান্নে হায়নরিবনি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরনা আর্টিষ্টশিংগীদমক খনবীদুনা চীফ মিনিষ্টর আর্টিষ্টশিংগী তেংবাঙ হায়না হৌদোরক্লিবা অসি ঐখোয়গী ওইনদি য়াম্না লাইবক ফবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলুপকী এদভাইজর ঙাঙোম নোরেন্দ্রজিৎনা থৌরম মপু অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী দিপ্যুটি দিরেক্টর জি ধর্মদাশনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী লোয়শিল্লকপদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা অদুদা মরাম নুংশেৎপা খৌশা হায়বা থাঙ তাগী পার্ফোমেন্স অমসু মীয়াম মমাঙদা উৎখি।

# ইকংনা অৱাবা তাহল্লবা লৌমীশিংগী য়েংলগা লৈঙাক্না অখন্নবা মীফম অমা অথুবদা পাঙথোক্কদবনি




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা লৌমীশিংনা ইকং থোকপগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা অসিগী য়েংলগা লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মীফম অমা ফমদুনা লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর আর কে অমুসনানা ফোঙদোরক্লি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া খুরাই লোকল কাউন্সিলনা শীন্দুনা ইম্ফাল উখুল লম্বীদা লৈবা য়ং পাইওনিয়র ইংলিস স্কুলদা পাঙথোকখিবা লৈখিদ্রবা লুচিংপুরেল লময়ানবা হিজম ইরাবতগী শক্তমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা অমদি ৱাকৎ মীফম ফম্বগী থৌরমদা আর কে অমুসনানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, মতম অমদা লময়ানবা হিজম ইরাবতনা পামজরম্বা লৌমীশিংবু য়োকখৎলু, লমদম অমা খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনবদা লৌমীশিংগী থৌদাং য়াম্না লৈ অমদি লমদম অসিদা মখোয়গী ফীদা পীফম থোকই হায়না নিংথৌগী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা লৌমীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরমখি। লময়ানবা ইরাবতগী লৌমীশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুম্নবগী ৱাখল্লোন অদু লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না নিংশিংফম থোকই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক অসিনা লমদম অসিগী লৌমীশিংনা ফংফম থোকপা রাইটশিং মতম চানা ফংহনগদবনি। লৌমীশিংনা তুম্বা চাবা খঙদনা অমদি অহিং নুংথিল খাক্তনা হোৎনদুনা চহী অমগী ওইনা মণিপুর মীয়ামনা চানবা ফৌ পুথোক্লবা হোৎনরি। অদুবু লৌমীশিংনা লৌউবা মতমদা থেংনরিবা অৱাবশিং অদু ঐখোয়না হেক হেক কাওথোক্লি। নোংজু নুংশাগী ফীভমনা মরম ওইরগা করিগুম্বা মতমদা ইকং থোকপা নৎত্রগা ঈচাও থোকপগী থৌদোকশিং থোক্লি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্লকপা মতমদা লৌমীশিংনা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্নরি। মরম অদুনা হন্দক চহীগী ওইনা ইকং থোক্তুনা লৌ পানবা য়াখিদ্রবা লৌমীশিংগীদমক লৈঙাক্না অথুবা মতমদা করিগুম্বা খরদি খন্নফম থোকই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৌমীশিংনা পোথোক পুথোকপগী থবক লেপখ্রবদি লমদম অসিগী মীওইশিং করি চাদুনা হিংগদগে হায়বসি ফম্নাইবশিংনসু নিংশিংফম থোকই। লমদম অসিগী পৈশা পায়বশিংসু মীওইবনি হায়বসি কাওরোইদবনি। মরম অদুনা অৱাবা তারবা লমদম অসিগী লৌমীশিংদা লৌ শঙম অমগী চাংদা লুপা লিশিং ৩০/৩০ মতেং পীনবা হোৎনবীয়ু হায়না আপিল তৌখিবগা লোয়ননা সী পি আইনা লৌমীশিংগীদমক মতম পুম্বদা লেপ্লি হায়খি।

# কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৪,৭৭৭ থেঙনখি

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৪,৭৭৭ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২৩ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৪,৭৭৭ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৫,৬৮,১১৪ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৪৩,৯৯৪ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ২৩ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৮,৫১০ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭২ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.১০ ওইরি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা লায়চৎ অসিনা শোকহনবা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি হায়না মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ২১৭.৫৬ কাপখ্রে হায়রি।

# মেজর চোংথাম মিদিয়াগী মতাংদা সোসল মিদিয়াদা থাগৎনরক্লিবা ৱাফমশিং অম্মোকোকনা মরী লৈনদে ঃ এস এম জলাল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : অরোইবা এঙগ্লো মণিপুর ৱারদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মেজর চোংথাম মিয়াবু মৈতে পাঙলনি হায়না সোসল মিদিয়াগী খুথাংদা থাগৎলকখিবা অদু ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসনস কোওর্দিনেসন কম্মিটি (অম্মোকোক) গা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট এস এম জলালনা ফোঙদোরক্লি।

হত্তাদা লৈবা অম্মোকোককী হেদ ওফিসতা ঙসি হীরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা জলালনা মখা তানা হায়, অম্মোকোক মণিপুর হায়না মিংথোনবা গ্রুপ অসি কম্মিটি অসিগী ৱাঙাংলোয় ওইনা কুমজা ২০১৮-২০২০ ফাওবা থৌ পুরম্বা মুহমদ রহিস অহমদ কৌবা মীওই অসিনা হাঙদোক্তুনা মহাক মশানা শীজিন্নবা হৌখিবনি। অদুবু মহাক্না লুপ অমদি খুন্নাইগী মশক থিবা য়াবা থবক থৌরম কয়া চথরকপদগী লুপকী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না কম্মিটি অসিদগী মহাকপু তাম্থোকখিবনি। রহিস তাম্থোকখিবগী নোটিফিকেসন অদুদা মহাক্না লুপকী মিংদা শীজিন্নরম্বা পোৎলমশিং শীন্নরক্লবা খঙহনখিবা লৈরবসু থৌওইদনা লাক্লি। পোৎলমশিং অসি পীথোরক্তবনা মরম ওইরগা মরী লৈনবা সাইবর ক্রাইমদসু কমপ্লেন তৌবা লৈখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিগসু মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসতা কমপ্লেন অমা ফাইল তৌদুনা মখা তাবা এক্সনশিং লৌখৎনবা কম্মিটি অসিনা শেম শাবা লোয়রে হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদসু রহিস হায়রিবা মীওই অসিগী মথক্তা লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎনবা মেমোরেন্দম অমা শেম শাদুনা লৈরে হায়খি।

করিগুম্বা মীওই অসিগী মথক্তা পুলিস দিপার্টমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎলক্তরবদি কম্পিটেন্ট কোর্টতা চপ চানা কেস অমা ফাইল তৌরগনি অমদি রহিস লোগী ওইবা চৈরাক ফংদ্রিফাওবা তুমিন্না লৈথোক্লোই হায়খি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST

NOTICE FOR OBJECTION

Dated, the 23/9/2022

No. 1/prop/SR/2021 (IE) : It is hereby notified for general information that an application has been received by this office from the BABY KIDS WORLD, New Checkon Mandop Leirak, Imphal East Manipur on 23/09/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Manipur Societies Registration Act 1989 and Rules 5 of MSR Rule 2004 within the area of operation of New Checkon, Imphal East District.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writting (Aadhar of the complainant or Secretary with seal for Assn./NGO/Orgn) to the undersigned against the formation/registration of propose Assn./organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complain/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of ST Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- S. Mahendra Singh
Deputy Registrar of Societies
Imphal East District

HL-P/4261/26